

# সিপিআই ইলেক্সন মেনিফেষ্টো

## ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল-২০১৭

অনৌবা অহোংবা মণিপুর অমগীদমক
সিপিআইগী মীরেপশিংবু মায় পাকহনবীয়ু

# ইলেক্সন মেনিফেষ্টো

হিরম খুদিংমক্তা শোথরিবা ষ্টেট অসিগীদমক লাক্লিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল অসি থোইদোক্লা মরু ওই। মরম অসিনা শক্তিগী তুংনফম ওইরিবা চীংমী- তম্মী খুদিংমক্লা ইশা ইশাগী সিটিজেন অমা ওইবগী গনতন্ত্রগী হক অদু চঙখোন্ননা শীজিন্নসি। হন্দক্কী মীখল অসিনা মীয়ামগা নকশিনবা অমদি দেমোক্রেটিক লৈঙাক অমা ষ্টেট অসিদা পুরক্লবা অচেৎপা ফিরেপ লৌসি। ঙসিগী ইরমদম মণিপুরগী অপুনবা শক্তম হেন্না কনখৎহনসি, তনিক-তনিক শাগৎলকখিবা মণিপুরী নেস্নেলীজম , চীংমী-তম্মীগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা লিপুনগী মপাঙ্গল হাপসি। মণিপুরবু মোর্দন ষ্টেট অমগী কাঙলোন-কয়াৎ শুবা ষ্টেট অমা ওইহনসি। শেল-থুম, চিঞ্জাক, মহৈ মশিং, লায়েংবা, ইন্দষ্ট্রি, আইটি অমদি শান্নবদা মীপান তাংদবা ওইহনসি।

রাইটিষ্ট পার্টি অনী আইএনসি অমদি বিজেপিদা শিল্লোন-শিঞ্জিন লৈঙাক শিন্নবগী ৱাখল থাদোকপা তঙাইফদ্রে। মীয়ামগী পুন্সি অমদি খুন্নাইবু তশেংনা নুংঙাই-য়াইফহনবা অনৌবা লৈঙাক অমা পুরক্লবা পান্দম লাক্লা চঙশিল্লিবা লেফ্‌ট এন্দ দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এলদিএফ) তা মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু। ফ্রন্ট অসিগী মরু ওইবা মপাং ওইরিবা সিপিআইবু মায় পাকহনবীনবা মীয়ামদা নোল্লুকচরি।

মশাগী পোলিটিকেল দিটরমিনেসন লৈতবা, ফম্বাল-ফম্বৈতবু কল্লকপা , মশাগী ওইজবদা লুপচবা নৌনা মরাই হাইগৎলক্লিবা মীওইশিংনা ঙসিদি রাজনিতি অমদি লৈঙাকসু লৈখা তাহল্লে। মখোয়না লৈবাক মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইটসপু শেল অমদি শক্তিগী ময়াইনা শিংনরি। অসিগুম্বা কেপিটেলিজমগী তমথিরবা পাম্বৈ অসিনা ষ্টেট অসিদা বুর্জ্জুৱা লৈঙাক হঞ্জিন-হঞ্জিন লিংনবা হোৎনরি। ইম্পেরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসন অমদি নিও-লীবরেল ইকোনোমিক পোলিসিনা মথ্বায় হাপ্লিবা ইন্দিয়ান রুলিং ক্লাসকী হংলাই ওইরিবা রাজনীতিগী শাগৈ অনীনা মণিপুরগী রাজনীতি অমসুং ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সতা অচৌবা এক্টর ওইনবা হোৎনরি। মখোয় কাহেন্না মোৎপা, শেঞ্জা-থুমজা, চোংথোক-চোংশিন, অরানবা প্রোপেগন্দাদা লুপ্লি। অসিগুম্বা বুর্জ্জুৱাগী মচৎ অসিদগী মীচম মীয়াম্না রাজনীতি অমদি লৈঙাক্তা থাজবা লৈহল্লক্ত্রে, থৌনা ফবা মতীং লৈরবা ঐখোয়গী মীরোল কয়া নীংবা কায়হল্লে, তুংগী আশা মাঙখ্রে, অমম্বগী ঈপাক্তা ঈরাক্লহনখ্রে। ৱাথোক-লাম্থোকনা খুরক হাঙদ্রবা লমদম হায়বদু ঙসিদি মণিপুর তশেংনা ওইরে। খুন্নাই অমদি লৈঙাক্কী ময়াঙদা চাকহৎলিবা বুর্জ্জুৱাগী ক্লাস অসিবু মায়থিবা পীদুনা তরু-তরুবা রাজনীতি লাকহনবা তঙাইফদে। ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোল কলহৌদবা য়াদে। মীখল অসিমক শিন্থা অসি পাঙনবগী চিরবা তাঞ্জা অদুমক্লি। দেমোক্রেসিদদি মীখল হায়বসিমক রাজনীতিগী তুংনফম ওইরিবা মীয়াম্না অপাম্বা লৈঙাক পুরক্ল বগী অমত্তা ঙায়রবা খুৎলায়নি অমদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈরবা পাম্নদ্রবা লৈঙাকপু শীনে দাক্লবগী তাঞ্জানি। মরম খিবিক অসিনা মপু ওইরিবা মীয়াম্না থৌনা লৈনা চোংথোক্তুনা মশাগী ফিরেপ চেৎপা, ভিজন লৈবা অমদি লৈবাক মীয়ামগী কথোকপা ঙমগদবা সিপিআইগী মপাঙ্গল হেঙ্গৎহনবীয়ু। ঈরোয়ননা দল অসিবু ষ্টেট অসিগী লৈঙাক শাসন অমসুং রাজনীতিদা অকক্লবা ফিদা অমা পীবীফম থোকই।

মণিপুরনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা ইতিন্দ্রিঙৈদগী হৌনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ইরমদম অসিগীদমক থেঙ্খাং কয়াদা খোঙফম চেৎনা থেংনদুনা লাকখি। লমদম অসিগী লৈহাওগা চান্নবা সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমগী য়াওল পুরক্লবা থেংনরক্লি। লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা লিংখৎখিবা মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট পার্টি অসিনা মণিপুরদা মান্নবা খুন্নাইগী নিংথিরবা ৱাখল্লোন ইহান-হান্না শন্দোকখি। মীওইবগী অশেংবা নিংতম্বা, মীগা মীগা মরক্তা খেন্নবা লৈত্রবা খুন্নাই, মণিপুরী নেস্নেলিজম হেন্না মহৌ-মকা ফন্নবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি।

## মণিপুর মীয়াম্না মায়োক্লরিবা প্রোব্লেমশিং অসিবু কোকহন্নবা অচেৎপা পান্দম অমদি ফিরেপকা লোয়ননা সিপিআইনা মীয়ামদা মচঙ ওইবা এজেন্দা থরা থমজরি।

১) মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ৩৭শুবা আর্টিকল শেমদোক্তুনা মণিপর মচেৎ তাহল্লোই হায়বগী অখন্নবা প্রোভিজন হাপচিন্নবা তকশিনগনি। চীং অমসুং তম অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎনবা অমসুং হেন্না নুংশি-চান্ননবা হোৎনগনি অমসুং মণিপুরী নেস্নেলিজম হেন্না য়োকখৎকনি।

২) লানহৌলুপ খুদিংমক্কা শান্তিগী ৱারী শান্নদুনা রাজনিতিগী শন্ত্রাইনবা পুরক্লবা ভারত লৈঙাক্তা তক্লগনি। নাগা-কুকিনা লুচিংবা লানহৌলুপশিং খক্তা নত্তনা অতোপ্পা লানহৌলুপশিংগসু ৱারী শান্নগদবনি।

৩) মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগা লৈনবা ঙমখৈ ৱাথোক মপুং ফানা অথুবদা লোইশিনগনি। ইরোয়ননা ম্যান্মারগা হেন্না অফবা মরী লৈহন্নবা থৌদাং লৌগনি।

৪) আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার্স এক্ট মুখৎনবা, অনলোফুল এক্তিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট অমসুং অতৈ ব্লেক লোশিং চৎনহন্দনবা থেংনগনি।

৫) ষ্টেট সরকারনা মথৌ তৌহন্দনা থল্লিবা মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন হিঙ্গৎহন্নবা তকশিনগনি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মীওইবগী হক মাঙহনববু চপ চানা থেংনদুনা মীয়ামগী হক কনগনি।

৬) মণিপুরী খুন্নাইগী তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ-ফুরুপ অপীকপা-অচৌবা খুদিংমক্কী মীহুৎ য়াওবা লেজিসলেটিভ বোদি-মণিপুর লেজিসলেটিভ কাউন্সিল লিংখৎনবা এসেম্ব্লিগী মনুং অমসুং মপানদা ষ্ট্রগল চঙশিনগনি।



৭) ত্রান্স-এস্নিয়ান হায়ৱে খোঙজেল য়াংনা শেমগৎনবা অমদি খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংগা লল্লোন-ইতিক্কী মরী হেন্না নকশিনহন্নবা হোৎনগনি।

৮) মণিপুরগী লাইফলাইন ওইরিবা নেস্নেল হায়ৱে নম্বর-০২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) অমদি এনএচ -৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) অনীমক্তা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা থোইদোকপা থৌদাং লৌগনি।

৯) মালেমগী লৈবাক কয়াদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈখ্রবা হিরম কয়াদা হৈথোই-শিংথোইরবা মণিপুরীশিংনা মখোয়গী মরমদম মণিপুর চাওখৎনবা হোৎনবদা অঙন্বা শেল অমদি ৱাখলগী মতেং পাঙহনগনি।

১০) মণিপুর অমসুং অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিং দেলি অমসুং অতৈ লমদা তাথি-তাওইনা তৌবা থিংনবগীদমক এন্তি-রেসিষ্ট লো থিন্দুনা শেমহন্নবা তকশিনগনি।

১১) য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মার, বাংলাদেসতা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিং অমসুং ভারতকী মরু ওইনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগী অৱা-অনা কোকহন্নবা য়াইফ-থৌরাংশিং পুক্লিং চঙনা পায়খৎকনি।

১২) মণিপুরীশিংগী শক্তম কন্নবা 'দি মণিপুর পিপলস প্রোটেক্সন বিল' চৎনহন্নবা হোৎনগনি। য়েলহৌমীশিংগী আইদেন্টিটি য়োকখৎকনি। ইনসেক্যুওর ওইরক্লবা মীতৈশিংগী পুক্লিংগী ঈহুল খঙনা থৌদাং পাংগনি।

১৩) ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী হভ অমা মণিপুরদা লিংখৎনবা অমদি মীপুম তিংনা আইটি এদুকেসন পীনবা হোৎনগনি। হিরম অসিদা মণিপুরগী নহারোলশিং থবক পীনবা থৌশিলসু পায়খৎকনি।

১৪) শেঙ্গা-থুমজা থিংনবা হনবা লৈতনা থেংনগনি। মথৌ তৌহন্দনা থল্লিবা মণিপুর ষ্টেটকী লোক অয়ুক্তা মথৌ তৌহন্নবা তকশিনগনি।

১৫) মীতৈ-পাঙলশিংগী য়াইফ-থৌরাং অমসুং চাওখৎ-খোঙথাং থুহন্নবগীদমক তোঙানবা ৱেলফেয়ার দাইরেক্তোরেট অমসুং ফাইনান্স কোর্পোরেসন অমমম লীংখৎনবা হোৎনগনি।

১৬) সেদ্যুল কাষ্টশিংতগী ওইবা চাউখৎ- থৌরাং অমদি সেভগার্দ তৌনবগীদমক তোঙানবা দাইরেক্তোরেট লীংখৎনবা তকশিনগনি।

১৭) মণিপুরদা খুন্দারিবা ত্রাইবেল কাঙলুপ খুদিংমক্কী কলচর, লোন, সাহিত্য চাওখৎহন্নবা হোৎনগনি। ষ্টেট সরকারগী বজেটতা মখোয়গী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহন্নবগী থবক ফন্দ মরাং কায়না হাপ্পবা তকশিনগনি।

১৮) শোথনা লৈরিবা চীংগী লম্বী-থোং, মহৈ-মশিং, মৈ ঈশিং অমসুং অনা-লায়েং চাওখৎহন্নবা, অখন্নবা থৌশিল- থৌরাং পায়খৎকনি।

১৯) চহী ৬০ (হুম্ফু) শুরবা লৌমী শিন্নীশিংদা থাগী পেন্সন লুপা ৩,০০০ পীহন্নবা লৌমীশিংগী য়াইফ-থৌরাংশিং পায়খৎনবা অমসুং লোক্তাক প্রোজেক্ট না শোকহল্লবশিংদা মতিক চাবা খেতিপুরোন পীনবা তকশিনগনি।

২০) লৌচা পথাপ(লেন্দ রিফোর্ম) মপুং ফানা শেমদোক্কনি। লৌমীশিংগা খুৎশন্নরগা ফৌ অমসুং অতৈ মনা-মশিংগী কলেক্তিভ ফার্মিং চীং অমসুং তমদা পায়খৎকনি। অপীক- অপীকপা লৌমী লুপশিং শেমগৎতুনা চীং-পাৎ, তুরেল (ৱাটর বোদি)নচিংবা শীজিন্নহন্দুনা ইরিগেসন প্রোজেক্ট মচা-মচাশিং পায়খৎহনগনি।

২১) কর্ম্মচারি অমসুং পেন্সনরশিংদা ৭শুবা পে-রিভিজন মপুং ফানা পীননবা তকশিনগনি। ইরোয়ননা সরকারগী ইমপ্লোয়িশিংনা মায়োক্নরিবা সার্ভিস কন্দিসন অমদি অতৈ হিরমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি।

২২) নহারোলশিং থবক পীনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎকনি। থবক ফংদ্রিঙৈদা মখোয়দা অন-ইমপ্লোইমেন্ট এল্লাওৱেন্স পীহনগনি। নহারোলশিংবু হিরম কয়াদা স্কিল দিভলপমেন্ট লৈহন্নবা অমসুং চান-চানবা শিনফম অমদি ইন্দষ্ট্রিশিংদা শিক্ষা পীনবা হোৎনগনি।

২৩) সবোর্দিনেট ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন লিংখৎকনি। কম্মিসন অসিগী খুথাংদা হোম দিপার্টমেন্টকী য়াওনা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিং রিক্রুইট তৌহনগনি।



২৪) নহারোলশিংনা লৈঙাক্কী থবক চঙবগী চহী ৩৮- ৪০দা হেঙ্গৎহনগনি। ওবিসিগীনা চহী ৪৩দা হেঙ্গৎহনগনি।

২৫) গ্লোবেলাইজেসনগী শাফুনা কঞ্জুমারিজমগী পুন্সিরোল অমদা হিংহল্লিবা মণিপুরীশিংগী ৱার্ক কলচর নৌনা য়োকখৎনবা হোৎনগনি। ইরোয়ননা ষ্টেট অসি ইকোনোমিক রিজেনেরেসন তৌননবগীদমক তোঙান-তোঙানবা হিরমদা পোথোক পুথোক্নবা অমদি পোথোকশিং অদুগী কৈথেল ফংহন্নবা শিনগনি।

২৬) লৌমী অমসুং শিন্নীশিংদা মাইক্রো-ফাইনান্স য়ুনিটশিং পাক-শন্না শেম্‌হনগনি। ইরোয়ননা লোকেল বেঙ্কশিংগা অফবা মরী থমহনগনি। বেঙ্কশিং অসিদা মখোয়গী শেলফমশিং থমজিনহনগনি। অদুগা তোঙান- তোঙানবা হিরমদা সোফ্ট লোন পীহনগনি।

২৭) ইনৌ-নৌবা ষ্টেট য়ুঠ পোলিসি অমা শেম্নবা তক্লগনি, হিরম অসিদা ভারত সরকারদগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙনবা অমদি অচৌবা শেলফম পীথরক্নবা অঙন্না থাক্তা হোৎনগনি।

২৮) লমদম অসিগী স্পোর্টস মুভমেন্ট হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। ইরোয়ননা ঐখোয়গী শান্নরোইশিং মালেমগী থাক্তা পুখৎতুনা মীংচৎ উরোং খিন্নবা লমজিং লমতাক্কনি। য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্নবা মণিপুরী মার্শেল আর্টস, থাঙ-তা, মুক্নানচিংবা মশান্নশিং মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা কন্না হোৎনগনি।

২৯) ষ্টেট সরকারগী অকক্নবা লেন্দ য়ুজ পোলিসি অমা থমহন্দুনা লৌবুক অমসুং লমহাংশিং কলহন্নবা হোৎনগনি।

৩০) চীংগী শীজিন্নদনা য়াম্না পাক-চাউনা লৈরিবা লমজাওশিংদা এগ্রিকলচর অমদি হোর্টিকলচর মায় পাক্না তৌনবা থৌশিল-থৌরাংদা অকনবা মীৎয়েং থমগনি।

৩১) ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি শেম্নবা তকশিনগনি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিগা চান্নবা ওটো-মোবাইল, ফাউন্দরি ফেক্তরিনচিংবা লীংখৎনবা থৌশিল পুথোক্কনি।

৩২) অকোয়বগী ফিভম ঙাক-শেন্নবা অমদি লোক্তাক পাৎ অমসুং তুরেল ঙাকশেনগনি। উমং- ৱামংশিংবু কোকথোকপা থিংগনি। ইশং- শংদুনা লৈবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা থৌশিল য়াৎথোক্কনি।

৩৩) অহল ওইরবশিং, নুপী অমসুং অঙাংশিংগীদমক অখন্নবা য়াইফ-থৌরাংশিং, হোমশিং, ক্রেজ সেন্টরশিং মফম শিনবা থুংনা লিংখৎনবা হোৎনগনি।

৩৪) নুপীশিংগী লেজিসলেটিভ বোদিশিংদা ৩৩% রিজার্ভেসন থম্নবা ষ্ট্রগল তৌগনি। নুপীশিংবু পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিক ইম্পব্রারমেন্ট পীনবা হোৎনগনি। নুপীগী মথক্তা চখবা ক্রাইম থিংগনি।

৩৫) এমএলএ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ মীয়াম খঙনা শীজিন্নগনি। চাওখৎ-থৌরাংগীদমক শীজিন্নখ্রবা শেলফমশিং চাংনাইনা সোসিয়েল ওদিট তৌহনগনি। আরটিআই এক্টকী খুথাংদা মীপুম তিংনা খঙহনগনি।

*************************************

* শেনজা- থুমজা মুখৎতুনা তরু-তরুবা লৈঙাক পুরকশি !
* ষ্টেটকী অপুনবা শক্তম ঙাক্তুনা চীং- তম থোং মান্ননা চাওখৎহনশি !
* চীং- তমগী লিপুন হেন্না কনখৎহনসি ! মনিপুরি নেসলিজম য়োকখৎসি !
* ব্লাক কলচর নৌহৌননা শেমগৎসি ! ইকোনোমিক রিজেনেরেসন তৌসি !
* চীংগী লমদম চাওখৎহন্নবা কম্পোজিট স্কিম কয়া পায়খৎসি !
* লৌমী- শিন্মীগী হক ঙাক শেনসি ! নুপী অমসুং মাইনোরিতিশিং য়োকখৎসি !
* লোক্তাক পাৎ অমসুং ঙামীশিংগী পুন্সি কনসি !
* আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার্স এক্ট মুথৎসি ! মীওইবগী হক অমসুং পুন্সি মমল লৈহনসি !
* লেফ্ট- সেক্যুলার- দেমোক্রেটিক- প্রোগ্রেসিভ শক্তিশিং মপাঙ্গল কনহনসি !

## ফৌ চরোং থাঙ্গোল সিম্বোলদা
## ভোট পীবীদুনা
## অনৌবা-অহোংবা মণিপুর অমগীদমক
## সিপিআইগী মীরেপশিংবু মায় পাকহনবীয়ু

**Published & Printed by: L.Sotinkumar Secretary, State Election Committee, MSC/CPI, Irawat Bhawan, Imphal. Printed at IB Printers.**